এডিটোরিয়েল

শিংনরকপশিং থেংনবা তাই

ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম অসি ষ্টেট গভর্নমেন্ট অদুগী মথৌনি হায়বা তারগদি ষ্টেটসিগী লৈঙাক্তা শিংনরকপা পূন্নমক চপ চানা থেংনবগী থৌদাং অদু লৌবা তাই। হৌজিক মীয়াম্না উরিবা ৱাফমদি ষ্টেটসিগী পোৎলম পুশিল্লকপা মতমদা মরুওইবা লম্বী অমনি হায়না লৌরিবা এন ঐচ ২ হায়বদি দিমাপুর–ইম্ফাল লম্বী অসিনা কোনবা মফমশিংদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চৎখিবা থা ২ ফাজিল্লক্লবা ফাওবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ব্লোকেদ অসি লোইশিন্নবা থৌরাং অমত্তা পায়খৎতে হায়বসিনি। অমরোমদা হায়বা তারগদি ষ্টেট গভর্নমেন্ট মায়কৈদগী খোঙজং চঙশিল্লীবশিংগা ৱারী শান্ননবা তাঞ্জা কয়ারক পীখ্রে অমসুং মদুদা খোঙজংলোইশিংনা ইম্ফালদা হায়বদি ষ্টেট অসিগী কোনুং ওইরিবা সহর অসিদা লাক্লগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম অদুমা য়াবা ঙম্লোই হায়রি। ষ্টেটনসু লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা মফমশিংদা থোকপা প্রোব্লেম পূন্নমক নৎত্রগা ঈশুশিং অসি করিগুম্বা মতমদা খোঙজংলোইশিংনা লেপ্পা মফমদা ৱারী শান্নগদবা নত্তে, মসি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী লৈঙাক্লা ৱায়েল্লিবা মফমদা লাক্লগা ৱারী শান্নগদবনি অমসুং মদুগী ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়বসিনি। মসিদি অদুমক লৈঙাক অমগী হায়ফম থোকপা ষ্টেট মনুংগী প্রোব্লেম লোইশিন্নবা ৱাফমনি। মদুদা খোঙজং চঙশিল্লীবশিংনা লেপ্পা মফম অমদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবশিং, মরুওইনা লৈঙাক মপু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর কৌবগী মথৌসি তাদে হায়না খল্লি। মদুদা লৈঙাক মপুনসু মফমদুদা চৎপগী মথৌ তাদে হায়না লৌবা তারগদি ৱারী শান্নরোই হায়বগা চপ মান্নে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী ফিরেপ অমা চপ চানা লৌগে হায়বা তারগদি অঙম তান্নবগী মওং অমদা লাকপা য়াই।

মদুসু লৈঙাক্লা পাঙথোকপা পামদবনা মরম ওইরগা হৌজিক মীয়ামগী অপাম্বা থুংহনবা ঙমদবা লৈঙাক অমা হায়বদু ওইনা লৌরি। মতাং অসিদা থম্নিংলিবা ৱাফমদি ষ্টেটসিগী মনুংদা অদুমক লৈদুনা ষ্টেট অসিগী ওইনা থাদরকপা শেনফম খুদিংমক শীজিন্নদুনা চাওখৎ–থৌরাংগী থবক পূন্নমক চপ মান্ননা য়েন্নদুনা শীজিন্নরিবা লমদমসিদগী তোখায়বা মফম অমনি হায়না য়েলহৌঙেদগী লৈমিন্নরক্লবা মীওই কাঙলূপশিংবু খাংঙুথক্তা শিংনরকপা অসি অচুম্বা থৌশিল্লা নৎত্রগা অতোপ্পনা ইনশিল্লকপা থৌরাং অমরা হায়বসি হঙ্গৎনা য়েংবা চঙই। মসিদা য়াম্না মুন্না খন্থবা তারিবদি মশাগী কাঙলূপ অমসুং মখোয়না তারিবা খুলগী মতুংইন্না মশা–মশাগী নাৎ, কলচর, ট্রেদিসনগা লোয়ননা হিংলক্লিবা মশাগী মমিং তোঙাননা লৈবা খুলমীশিংবু মুখৎনবা লৌরকপা ফিরেপ্তা মশাগী ইন্দিজিনস ওইবা পুৱারী লৈজবা মীওই ফুরুপশিংনা অতোপ্পা ফুরুপ অমদা তিন্নবা হোৎনরিবসি করিগীনো হায়বসিনি। মসিদা লৈঙাক্লা মণিপুরদা পুন্না খুন্দা–লৈতামিন্নদুনা লাক্লবা মীওই কাঙলূপশিংবু পুনশিন্নবা হোৎনবদা ঙমদ্রিবা অসিনা করিগীনো হায়বা ৱাহং অমা লাকই। মসিগী মথক্তা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্বা লমদমসিদা পুন্না হিংমিন্নরকপা মীওই কাঙলূপশিংনা অতোপ্পা ফুরুপ অমদা তিনগে খল্লিবসিনা করিগীনো হায়বসি হংনিংই। করিগুম্বা লমদমসিগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনবদৌনা লৈঙাকসিদগী তোখায়বা মওংগী খোঙজং চঙশিল্লকপা তারগদি মদুগী চপ চানা থেংননবা থৌরাংদি ষ্টেটকী মথৌ ওই। অদুনা ঙসি ওইরক্লিবা ফিভম অসি থোইদোক্লা সেন্তরগী থৌরাং অমা ঙাইবগী মথৌ তাদ্রে। ষ্টেটকী প্রোব্লেমদি ষ্টেটনা লোইশিনবা তাবনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্লা করি ফিরেপ লৌগদৌরিবগে হায়বদুদি মীয়াম্না ঙাইবা তাবনি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

ব্লোকেদসি চহী হৌবফাওবদংগা

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

তশেংনা মীওইবগী ৱাখল্লোন চেনবশিং ওইরবদি মীওইনা হিংইবা পুন্সি মহিং অসি করিদা মখা পোনবগে খঙলমগদবনি। তশেংনা মসিদা ফুরুপ হৌদুনা লম্বীদা মীয়ামগী পোৎ চৈ পুরকইবা গারীশিংগী দ্রাইভর ফুরকইবা মীয়ামগী পোৎ–চৈ শিংদা খুৎ কনশিনবসি হৌনদে। তশেংনা ঙসি লমদমসিদা ফুরুপ অমমমনা চৎখরিবা থৌওংশিং অসিমক ফুরুপ অমনসু চৎখরকপা তারবদি করি ওইগনি খন্থদবদগীনি। নাকল অমদনা লমদমসিগী চীফ মিনিষ্টরনা লাওরি লমদমসি ফুরুপ অমত্তগী নত্তে হায়জরবসু কাঙলূপ মচা ময়াম পুনশিল্লগা ঐখোয়গীনি হায়দুনা চোংই লাওরি। পুনশিল্লিবা কাঙলূপ মচাশিং পূন্নমক লোল অমত্তা তিন্নদে ময়েক লৈতে ধর্ম্মসু তোঙাল্লি। পূমনমক ঙসিদি নাকল অমদা হোইদুনা পুবদৌনা চৎখরকপা অসিনা ঙসিদি লমদম অসিদা অফবা শক্তমদি উবা ফংলক্ত্রে। নুমিৎ খুদিংগী অকি অকিবা শক্তম কয়ানা মনিং তম্লকপদা ঙসিগী সরকার থৌদাং পুরিবা খুদিংমক্লা নাথৈনবতা হোৎনরক্লি। মসিদা খ্বাইদগী শাথিরিবা অমনা লমদমসিগী লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মশা মশাগী হৌরকফমবু নীংথিনা নৈনবা ঙমদবা অসিনি। শকলোৎপা ঙাক্তা মরাং কায়রকপদগী মখোয় মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং থুংনবা ফংনবা হোৎনরকপদা ঙসিদি দিমান্দ কয়াগী পোত্থাফম ওইরক্লে। মসিদি কনা অমত্তনা লাল্লি চুমই হায়বগী মহুত্তা চুমই হায়বঙাক্তনা চঙশিল্লক্লি পিছ একোর্দ, হোমলেন্দ দাবী কয়া। মদু ফংনবগীদমক লৈমিন্নরিবা প্রজাশিংদা উখোরকই। কাঙলূপ অমগীতা খঞ্জবশিংনা মখোয়গী থৌরমশিং ময়া মতম য়ৌরক্লগনা বন্দ ব্লোকেদ হেক্তা হন্দোকপা অদুগা অতৈ কাঙলূপশিংগীদনা হনবা লৈতনা চৎখবা অসিনি। দিমান্দ হায়বা খুদিংমক পীবা ঙম্বা মঙোন্দা তকশিনগদবগী মহুৎ প্রজাশিং কয়াদা ওনশিনবা হায়বসি খুৎকন পাঙ্গলবনি তাকইবা নৎত্রা? অসুক শাংবা মতমসি মীয়ামদা অৱাবা পীরকইবসি ঙসি করিগী ব্লোকেদ হন্দোক্লবা হোৎনফম থোকইবগে? থেংখাং কয়া কয়া তৌনিংবদা তৌবসি করম্বা কাঙলূপশিংনা য়াম্না তোইনা তৌরিবা অমদি তৌদবা কাঙলূপশিংনা করম্বনো খংজিনবা চুপ্রে। হৌজিক মীয়াম্না য়ানদুনা ব্লোকেদ লেপ্পা তারবসু অতোপ্পা খরনা দাবী অমগী মখা অমুক তারক্কনি। অমা লোইখ্রবসু অমনা অমুক হৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবনা তৌবগী তৌবা লেপ্তুনা তৌহনবনা ফরবনি। মীওইবা অমগী খন্থনবগী ৱাখল য়াওদ্রবগুম্না শা–ঙাগী ৱাখল খনবা মীওইনা থল্লবনিনা ব্লোকেদ মতম শাংনা তৌরবসু ৱাবা লৈতবা মীওই কয়াসু লৈরক্লে। ব্লোকেদ মতম শাংনা তৌরবসু করিসু নাচুংদনা হিংবা ঙমইবা প্রজাশিং অমদি ব্লোকেদ তৌরিবশিংবু অচুম অরান তাকপা ঙমদ্রবা সরকার পূন্নমক চপ মান্নরে। লাক্কদৌরিবা অনৌবা চহী ২০১৭ সিদসু ব্লোকেদ কয়াসু ঙাইদুনা লৈরগদবনা ব্লোকেদসি লেপ্তুনা চৎহনবনবু ফরক্কদৌবা মাল্লক্লি।

অদোমগী
সি আইচ বিরেন মীতৈ
ইম্ফাল

ডাইবিটিজ (ঈশিং পুকচৎ) লায়না অমসুং মসিবু শেন্নবা–২

করম্না মেনেজ তৌগনি?

ডাইবেটিজ টাইপ ভ্রান ঃ

ঙাইহাক লৈতনা ব্লড সুগর লেভেল চাং নাইনা য়েংথোক্কনি। মসিগীদমক্তা হৌজিক্তি ফার্মাসি অয়াম্বদা ব্লড গ্লুকোজ মোনিটর কিট থল্লবনি।

ডাক্টরনা হায়বগী মতুংইন্না ইন্সুলিন কাপ্পুনা, নহাক্কী হকচাংদা সুগর লেভেলগী চাং অদু নিংথিনা থম্নবা হোৎনগদবনি।

ডাক্টরনা পীবা পাউতাকশিং অদু কৈদৌঙেদা হিকতোক্লোইদবনি। হকচাং শাজেল চাং নাইনা তৌগদবনি।

ডাক্টরগী মনাক্তা চাং নাইনা মহাক্লা হায়রকপগী মতুংইন্না চ্যেক অপ চৎকনি।

ডাইবেটিজগী চেকশিনগদবাঃ

ডাইবেটিজদগীকরম্না চেকশিনগদগে হায়বগী মতাংদা নহাক নশাদা লৈরে। নশানা ডাইবেটিজগীদমক্তা খঙবা য়াবা মখে খঙজিন্নবা হোৎনগদবনি। করিনা, কমদৌনা ডাইবেটিজ ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদু নহাক্লা খঙগদবনি। নহাক্লা চাবা মতমদা হকচাংদা কান্নগদবা মচি ওইবা চাদুনা, হকচাংগী ওইবা থবক থৌরমশিং হায়বদি পাঙ্গলগী থবক শুবা হায়বসি নুংতিগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌ অমগুম লৌগদবনি। হকচাংগী অরুম্ববু কা হেন্না হেনগৎহল্লোইদবনি। হকচাংগী অরুম্ববু বেলেন্স অমদা থম্নবা হোৎনগদবনি। নহাক্কী অরুম্বা অদু ওইফম থোকপদগী হেনগৎহল্লোইদবনি। নহাক্কী হকচাংগী বোডি মাস ইনদেক্স (বি এম আই) অদু ২৫% দগী মখাদা থমগদবনি।

করিগুম্বা মীওই অমনা নিকোটিনগী চাং য়াম্না শীজিন্নরবদি, মহাক অদু ডাইবেটিজ নারক্লবগী চাওরবা মরম অমসু লৈ। মৈখু কা হেন্না শীজিন্নবা মীওই অমগী মশাদদি ডাইবেটিজনা নাহল্লক্তুনা হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক, নর্ভস অমসুং কিডদি ফাওবা মাঙহল্লকপা য়াই।

ব্লড প্রেসর অমসুং কোলেষ্টোরেলগী লেভেল চ্যেক তৌবা হায়বসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি। মসি মীওই অমগী তৌফদ্রবা থৌদাং ওইনা লৌগদবনি। হকচাংদা ব্লড প্রেসরগী চাং ৱাংলবা, মসিনা হার্ট এটেক তৌরক্লবগী চাওনা থাজবা লৈ। অসিদসু নত্তনা ষ্ট্রোক তৌদুনা পুন্সিদা অকিবা ফংলবা চৈথেং ফংনবগী মরমসু ওইগনি। অদুনা চাবা মতমদা অফবা মখলগী হকচাংদা কান্নগদবা মচি ওইবা ওইগনি। অদুনা চাবা মতমদা অফবা মখলগী হকচাংদা কান্নগদবা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা দরকার ওই। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা দরকার ওই। বি পি অমসুং কোলেষ্ট্রোরেলগী লেভেলগীদমক্তা গুলি চাং নাইনা, ডাক্তরনা পীরকপা ইন্সট্রক্সনগী মতুং ইন্না চাগদবনি।



নহাক্কী ডাক্তরনা চ্যেক তোয়না তৌহনগদবনি।

মীৎকীদমক্তা চেকশিনগদবাঃ

ডাইবেটিজনা মরম ওইদুনা নহাক্কী মীৎপু শোকহনবা য়াই। মরম অদুনা নহাক্লা মীৎকী ডাক্তর (ওপথালমোলোজিষ্ট) দা থাগী ওইনা চৎতুনা চ্যেক তৌগনি। ডাইবেটিজনা মরম ওইদুনা মীৎকী রেটিনাদা চাওনা অমাঙবসু থোকহল্লি।

ডাইবেটিজনা মরম ওইরগা য়ারি য়াখোঙদা শোকহনবসু য়াই। মরম অদুনা অফবা মখলগী ওরেল হায়জিন তৌবা য়াম্না মরু ওই। নহাক্লা য়াগী ডাক্তর তান্নবা চঙই। নহাক্কী য়ারিদা ঈ থোক্লবা, ঙাংশং ঙাংনা উরবা নৎত্রগা পোকখৎপা থেংনরবদি নহাক্লা য়াগী ডাক্তর (ডেন্টিষ্ট) অমা তান্নবনা খ্বাইদগী ফৈ।

ব্লড প্রেসর ৱাংবনা মরম ওইরগা খোঙগী নর্ভতা মাঙহনবা য়াই। ডাইবেটিজনা মরম ওইরগা খোঙগী নর্ভ মখে শোন্থহন্দুনা, খোঙদা ঈগী খোঙজেল তপথহন্দুনা খুনিং কায়বগী থৌওং লৈহনবসু য়াওই। মরম অদুনা খোঙবু ফজনা থম্নবগীদমক্তা মোজানচিংবা উপশিন্দুনা চ্যেকশিন্না থম্বা দরকার ওই। খোঙবু লূ নান্না থমদুনা চোৎ–চোৎ লাওবগা লোয়ননা থোৎনা থম্নবা হোৎনগদবনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসিবু চ্যেকশিন্না ইল্লবদি খুনিং কায়বদগী ঙাকথোকপা

ঙমগনি। নহাক্লা করিগুম্বা য়ু থকপা মীওই অমা ওইবা তারগদি, মসি চাং অমদা থক্তুনা নিয়ম অমগী মখাদা তৌগদবনি। য়ু থকপা মতমদা চাক্লেনগা লোয়ননা থক্কদবনি। চাক্লেন য়াওদনা য়ু থকপা তৌরোইদবনি।

মীওই অমগী হকচাংদা য়াওরিবা হোর্মোনগী চাং অসিবু, নিংথিনা পুথোক্তুনা মশা মউ ফবা, তিঞ্জং কায়জংদবা মীওই অমা হায়বদু ওই হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম্নি। অদুবু হকচাংদা ডাইবেটিজগী চৈথেং ফংলবা মীওই অমগী মশাদদি হোর্মোননা পুথোকপা ইন্সুলিনগী চাং অসি ফিভম ফত্তবদা লৈবা য়াবা খুদোংচাবা য়াম্না ৱাংই। অদুনা হকচাংদা য়াম্না চরাংনবা, লৈতাফম খঙদবা, খোইরাং খোইশাওনবা লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। ফজনা পোত্থারগা নুংঙাইনা তুম্নবা হোনগদবনি।

ডাইবেটিজগীদমক্তা য়ুমদা ইশানা তৌজগদবাঃ

– অশংবা মনা মশিংনা ডাইবেটিজ কন্ট্রোল তৌবা য়াই। ময়াম্না করি লিজস হায়রগা খঙনবা অসি নোংমদা য়ামদ্রবদা ৮–১০ ফাওবা চখাও হাংলিঙৈ মতমদা শাইরবদি, হকচাংদা য়াওবা ব্লড সুগর ৱাংবগী লেভেল অদু হন্থহন্দুনা নোর্মেলদা লাকহনবা ঙমই।

–হৱাই মরুশিং হায়বদি নটস, অলমোন্স, কেসুনট, অশংবা মনা মশিং অমসুং মমুন ফারবা জমুনগী মহি চাং নাইনা চাবনসু ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং হন্থহনবা ঙমই।

– অয়ুক চাকখাও হাংলিঙৈ মতমদা ঙৌথোক্লবা অলমোনবু চারবদি ব্লড সুগর ৱাংবদগী হন্তহনবা ঙমই।

– ময়াম্না কারোন অখাবী হায়না খঙনরিবা এঞ্জাং মখল অসিসু ডাইবেটিজগীদমক্তদি য়াম্না কান্নরবা হিদাক মখল অমনি। মীওই অয়াম্বনা কারোন অখাবী অসি থাউদা থুম্না তাউরগা চাবগী হৈনবী ওইনা তৌনৈ। কারোন অখাবীদগী কান্নরবা মচাক কয়ামরুম য়াওরি। কারোন অখাবী অসি চাক্তা ঙাল্লগা চাবসু য়াই। চাবগী মওং খেন্নরবসু মসিগী কান্নবদি হকচাংদা ফংই। খ্বাইদগী ফবদি কারোন অখাবীগী মরু অসি লৌথোক্লগা, গ্রাইন্দরদা তকখায়দুনা নোংমদা গ্লাস অমগী চাংদা থক্লবদি ব্লড সুগরগী লেভেল অসি ইরাই লাইনা হন্থহনবা ঙমই।

–ঈশিং অশৌবা লিটর অমদা সিনামোন পাউদর (মকুপ) অদু থাদদুনা মনিট ১৫–২০ ফাওবা থম্মু। মদুদগী চুমথোক্তলগা ঈংহল্লগা থম্মু। মসিবু য়াম্না নত্তবীদা খজিক খজিক নুমিত্তুদা থক্কনি। মসিনা ডাইবেটিজ কন্ট্রোল ফজনা তৌবা ঙমই।

(লোইরবা)

মোবাইল ফোন সেক্যুরিতি –৬

মমাঙগী মখা...

টোপ এন্দ্রোইদ সেক্যুরিতি এপ্লিকেসনশিং

এন্টি থেফট ফিচর অসি লোক্তুনা লৈরগা এস এম এস শীজিন্নদুনা নঙগী ফোন অদু মাঙখ্রবদি মদু নঙনা রিমোটতা লোক তৌবা, লোকেট তৌবা নৎত্রগা মুখৎপা ঙম্মী। নঙনা সাইরেনগী মখোল অমসু থোকহনবা, সিম কার্দ লোক দাউন তৌবা ঙম্বগা লোয়ননা ইউ এস বি বু দিবগ্গিং তৌবা থিংবা ঙম্মী। মসি হুরানবদগী ঙাকথোক্লবা মপুং ফারবা সোলুসন অমনি।

করিগুম্বা নহাক্কী রুটেদ (হোংদোক হোংজিন য়াদবা অচেৎপা) দিভাইস অমা লৈরবদি মদুদা নঙনা নেটৱার্ক অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমহনবা ফায়রৱাল অমসু য়াওগনি। অদুগা সেক্যুরিতিগীদমক নহাক্লা য়াম্না খুৎলোয়বা লোয়ননা বেট্টরিবুসু নীংথিনা কনবা ঙম্বা অকক্লবা এপ্লিকেসনশিংগীদমক ৱাই–ফাই নৎত্রগা নেটৱার্কতা এক্সেন তৌরকপবুসু নহাক্লা থিংবা ঙম্মী।

পোপুলর এন্দ্রোইদ সেক্যুরিতি এপ্লিকেসন ৩১ খ্বাইদগী নৌবা এ বি টেষ্ট রিপোর্টকী মতুংইন্না এভাষ্ট হায়বসি ৯৯.৯ পার্সেন্টকী ওভরওল দিটেক্সনগী চাং য়াওবা সোলিদ ওপ্সন অমনি। অদুম ওইনমক মেলৱেয়র দিটেক্সনগী টার্মদদি মসি চার্টকী খ্বাইদগী মকোক থংবদা লৈতে, অদুগা এক্সত্রা ফংসনেলিটি (এন্টি থেফট টুলশিং অমসুং মফম চানা লেংদনা থল্লবা দিভাইসশিংগী ফায়রৱাল অমা) য়াওবগী মতাংদদি হৌজিক মতিক চানা খন্থদুনা লৈরি। মসিদা বেট্টরিগী মপুন্সি লোয়রে অমসুং জেনেরেল পার্ফোমেন্সতা ইম্পেক্ট লৈতে হায়বা খঙবা ঙম্বা লাইট ফুটপ্রিন্ট অমদি য়াওরি। অদুগা নো ফোলস পোজিটিভসু রিটন তৌরকই।

অচুম্বা অমদি এপ্লিকেসন অসি মপুং ফানা ফ্রী ওই, ফিচরগী রেঞ্জ পাক চাওনা লৈ, রুটেদ দিভাইসশিংগী প্রোটেক্সন লৈ অমসুংঅতৈশিংগা লাম্বা তৌবা ঙম্বা ফিভম লৈ। করিগুম্বা নহাক্লা নঙগী এন্দ্রোইদ স্মার্টফোনগীদমক সেক্যুরিতি সোলুসন অমা পাল্লবা অদুগা নঙগীঅহানবা তৌগদবা থবক অদু লেমৱেয়রগী মতাং অমদি সেফ ব্রাউজিং ওইরবা, অদু ওইরবদি মসিনা নঙগী খ্বাইদগী অচুম্বা এপ্লিকেসন ওইগনি।। এভাষ্ট মার্কেটিং ডাইরেক্তর, মিলোস কোরেনকোনা ঐখোয়দা থাজবা অমগা লোয়ননা হায়রিবদি "মদুদা মতুংদা পেদ (পৈশা পীবা) ভর্সন অমা লৈবা য়াই, তৌইগুম্বসুং মদুনা ফ্রী ভর্সন অদুদা ইম্পেক্ত (শোকহনবা) অমদি লৈরোই। মসি মখা তানা অদুম ফংখিগনি অমসুং মদুদা ফিচর কয়ামরুম য়াওগনি।"

এভাষ্ট মোবাইল সেক্যুরিতি

এন্দ্রোইদ প্লেটফোর্মগীদমক্তা অশেংবা ফ্রী এপ্লিকেসন অমা ওইনা "এভাষ্ট মোবাইল সেক্যুরিতি" অসিনা নহাক্লা য়াম্না পামগদবা মখল মখা কয়াগী টুলশিং ফংহল্লি। মসিদা এন্টি ভাইরস প্রোটেক্সন য়াওরি, নঙগী এপ্লিকেসনশিং অদুনা করি করম্বা মথৌ তৌরি হায়বা অকুপ্পা মরোল খঙননবা মসিনা নঘগী এপ্লিকেসন অদু স্কেন তৌই অমসুং মসিদা মেলৱেয়র চঙলক্তনবা ইউ আর এলশিংবু স্কেন তৌনবা ৱেব শিল্ড অমসু য়াওই।

পেকেজ অসিদা মখল মখাগী এদিস্নেল টুল কয়া য়াওরি অদুগা টুল চবুন অসিগী খ্বাইদগী ফবা অমদি এন্টি–থেফট কম্পোনেন্ট অসিনি। এপ্লিকেসন অসি অশেংবদি এভাষ্টনা লৌশিল্লবা অরিবা থেফট এৱেয়ার হায়বা অসিদা যুম্ফম ওইবনি।

ই এস ই টি মোবাইল সেক্যুরিতি অমসুং এন্টি ভাইরস

মসি ঐখোয়গী মকোক থংবা মঙাগীদমক্তদি অনৌবা এন্ট্রি অমনি অমসুং খ্বাইদগী নৌবা এভি –টেষ্ট রিপোর্টতা চাম্মদা চাম্মা দিটেক্সন তৌবা ঙম্বগী ফংফম থোকপা মফম অদু কন্দুনা লৈ লোয়ননা ইজি–টু–যুজ ইন্টর্ফেস অমনি। মসিগী বেসিক এপ্লিকেসন অসি মপুং ফানা ফ্রী ওই অমসুং মসিনা মেলৱেয়র অমদি টেক্সট থানবা হোৎনবা নৎত্রগা প্রিমিয়ম কোল রেট শেম্নবা তৌবা ঙম্বা মগুণ চেনবা নমথাক্কী এপ্লিকেসনশিং দিটেক্ট তৌননবা রিএল – টাইম স্কেন্নিং এপ্লিকেসনশিংসু ফংহল্লি।

ফ্রী ভর্সন অসিদু এন্টি থেফট টুলশিংগী স্যুট অমসু য়াওরি। মহাক্লা নহাক্কী স্মার্টফোন অমসুং টেব্লেট অদু রিমোটকী মতেংনা মফম খঙদোকপা অমদি লোক তৌব ঙমগনি লোয়ননা পাসৱার্দ প্রোটেক্সন শীজিন্নদুনা ইন্সটোল তৌদ্রিবা কনাগুম্বগী এপ্লিকেসনশিং থিংবা ঙমগনি।

করিগুম্বা নঙনা রিমোটনা মুখৎপা নৎত্রগা সিম কার্দকী তৌবা ঙম্বশিং পাল্লবদি প্রিমিয়ম ভর্সনগীদমক নহাক্লগী চহীদা দোল্লর ২০ পাা তাই অমসুং মদুনা এন্টি –ফিশিং প্রোটেক্সন, ওদিট ফিচর এপ্লিকেসন অমা, মরম চাদনা দরকার ওইদনা ডেটা শীজিন্নবা মোনিটর তৌনবা দিভাইস অমসুং এদভান্স কোল ব্লোক্কিং ফংহনগনি।

এভিরা এন্টিভাইরস সেক্যুরিতি

চাদা চাম্মা দিটেক্সন লৈবা অমসুং ফোলস পোজিটিভ লৈতবা এভিরাগী ফ্রী ভর্সন অসি নঙগী এন্দ্রোইদ স্মার্টফোন নৎত্রগা টেব্লেটপু সেফ ওইনা থম্নবগীদমক্তা নঙনা থাজবা য়াবা অমনি। মসিদা পার্ফোমেন্সকী মতাংদা লাইট ফুটপ্রিন্ট য়াওরি অমসুং মশক ফজে লোয়ননা এন্দ্রোইদ প্লেটর্ফোমদা চপ চাবা মওংদা য়াম্না চম্না দিজাইন তৌবনি।

এভিরানা নহাকপু ওইরকপা য়াবা খুদোংচাদবশিং (পোটেন্সিয়েল ট্রোবল) গী মতাংদা এপ্লিকেসনশিং স্কেন তৌবা য়াহল্লি অমসুং মসিনা অনৌবা এপ্লিকেসনশিংসু স্কেন তৌই লোয়ননা মশা মথন্তনা অপদেট তৌই। মসিদা হুরানখ্রবা–মাঙখ্রবা নঙগী দিভাইস অসি রিমোট শীজিন্নদুনা ফংননবা, লোক তৌনবা, মুখৎনবা নৎত্রগা এলার্ম থোকহন্ননবা এন্টি–থেফট টুলশিংগী কাঙলূপ অমা মহৌশানা য়াওরি। মসিদা অহেনবা এদিস্নেল টুল অমসু য়াওরি, টুল অসিনা নঙগী ঈ–মেল একাউন্ট অদু হেক তৌখ্রবরা নৎত্রগা তৌদ্রা হায়বদু হায়বা, অমসুং মদু ওইরবদি নহাক্লা করি এক্সন লৌখৎগদগে হায়বা ঙমহল্লি। হায়রিবা এপ্লিকেসন অসিদা ব্লেকলিষ্ট তৌরবা ওপ্সন কয়া অমা মতিক চানা য়াওরি। মরম অসিনা নহাক্লা প্রোব্লেম কোল্লরশিং নৎত্রগা অমাং অতা থোকহনবা স্পাম ব্লোক তৌবা ঙমগনি।

এন্টি ফিশিং, হেন্না চাং নাইনা অপদেটশিং তৌবা, অমসুং সপোর্ট নীংথিনা তৌবা ঙম্বা প্রিমিয়ম ভর্সন অমসু মসিদা য়াওরি। ফ্রী ভর্সন অসিদা অয়াম্বা মীওইশিংগীদমক মতিক চাবা বেজ কয়া অমসু কোনশিন্দুনা য়াওরি।

মখা মথংগী ইরাইদা...
(সি ডি এ সি)